# রাজিবকী ৱারী শানদুনা সোলুসন পুরকপা হায়বসিগী পান্নৈনা হিংশাগী থবকশিং কোকহন্নবা হোৎনসি

*-চিফ মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২১ঃ* ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রাজিব গান্ধী লৈখিদবা নুমিৎপু লৈবাক শিনবা থুংনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ (এন্টি টেরোরিজম দে) হায়না পালন পাঙথোক্লখ্রে। মীয়াম পুন্না টেরোরিজম থেংননবা ৱাশক লৌমিন্নখ্রে। থৌরমদুদা চিফ মিনিষ্টরনা হৌজিক্কী সমাজদা টেরোরিজম্না খ্বায়দগী চাওবা থ্রেট অমা ওইরি হায়রদুনা লৈখিদ্রবা রাজিব গান্ধীগী পোলিসি ''ৱারী শান্নদুনা সোলুসন পুরকপা'' হায়বসিগী পান্নৈনা হৌজিক মায়োক্লরিবা হিংশাগী থবকশিং কোকহন্নবা হোৎনসি হায়না আপিল তৌখ্রে।

মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা সেক্রেটেরিয়েট সাউথ ব্লোক্তা পাঙথোকখিবা মপুং ওইবা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা হায়, মালেমগী পুৱারিগী তাঙ্কক কয়াদা মখল কয়াগী শাথিরবা থ্রেট কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। থ্রেটশিং অদুগী মনুংদা হৌজিক্কী সমাজদা টেরোরিজম্না খ্বায়দগী চাওবা থ্রেট অমা ওইরি।

টেরোরিজমগী তমথিরবা থৌওং কয়ানা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে, লন-থুম কয়া মাঙ তাকহনখ্রে, মীওই কয়া অশোক-অপন নংহনখ্রে অমদি শেল-থুম কয়া মাঙহনখ্রে।

রাজিব গান্ধীসু অদুগুম্না টেরোরিজমগী থৌদোক অমদা ভিক্তিম ওইখিবনি। মহাক্না হিংশাগী থৌওংশিং অমদি টেরোরিজমগী থবকশিংনা প্রোব্লেম কয়া অমদি পেন্দবা কয়াগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা থাজরম্মী।

মহাক্না ৱারী শান্নবগী শক্তিদা থাজবা থমদুনা পেন্দবা কয়া ৱারী শান্নদুনা কোকহনবা হায়বসিনা মহাক্কী পোলিসি ওইখি। হিংশাগী লম্বী থাদোক্লগা মরম চাবা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপা কাঙবু অমগা হেক্তা ৱারী শান্নবগী অপাম্বা লৈখি। মসিমক্না ইং ১৯৮৫ দা পঞ্জাব একোর্দ অমদি ইং ১৯৭৫ দা মিজোরাম একোর্দ সহি তৌনদুনা ইরাংনা শোকহল্লবা ষ্টেটশিং অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকখিবনি। মহাক্কী মশক নায়রবা থবকশিং পাঙথোকখিবা, থৌনা অমদি হৈশিংবা অদু জাতি অসিনা মতম পুম্বদা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা নীংশিংদুনা লৈহৌগনি।

লৈবাক অসিদা রাজনিতিগী তং-তাদবা ফিভম অমা লৈতবা অমদি মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী রাজনিতিগী মায় খুনিঙাই ওইবা থৌওং কয়াদা মহাক্না নুংনাংবা পোকখি। মসিনা মরম ওইরগা ইং ১৯৮৫ গী অঙনবা শরুক্তা ফমখিবা পার্লিয়ামেন্টতা মহাক্না রাজনিতিগী চোংথোক-চোংশিন তৌবা থিংনবা লেজিসলেসন শেমখি। রাজনিতিগী তং-তাদবা ফিভম অসি লেজিসলেসন অসিনা কোকহনবা ঙমখি। মসিদা নত্তনা মহাক্না ভোট থাদবা য়াবগী চহি অসি ২১ দগী ১৮ দা হন্থহনখি।

মহাক্না 'মেরা ভারত মহান' হায়বা স্লোগান অসি পুথোক্লমখি। মসি মহাক্না ইন্দিয়াবু কয়াম লুম্না লৌবগে হায়বদু উৎলে। ইং ১৯৮৫ গী জুন থাদা ফমখিবা য়ুএস কংগ্রেসকী হাউস অনিমক্কী জোইন্ট সেসন্দা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি, 'আই দ্রিম ওফ এন ইন্দিয়া ষ্ট্রোং, ইন্দিপেন্দেন্ট, সেল্ফ রিলাইএন্স এন্দ ইন ডি ফ্রন্ট রেঙ্ক ওফ নেসন্স ওফ দি ৱার্ল্ড। মসিমক মহাক্না ইন্দিয়াগী মঙলম্বা মঙলান্দুনি।

মহাক্না পামজরম্বা মঙলান মঙফাওনবা ঙমহন্নবা মহাক্কী পোলিসি ''ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা'' হায়বসিগী পান্নৈনা লৈবাক অসিদা হৌজিক মায়োক্লরিবা হিংশাগী থবকশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনমিন্নসি অমদি ষ্টেট অসিগী চাওখৎ-খোঙথাং য়াংশিনহন্নবা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নসি হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা মীয়াম্না খাঙবা কনবা অমদি অহিংসাদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা টেরোরিজমগী থৌওং খুদিংমক্তা অমদি হিংসাগী থৌওংশিং লৈজবী থাক্তা মায়োক্লবা ৱাশক লৌখি। লোয়ননা জাতি কাঙলুপ মশেল নুংশি চান্নবা, মীওইবা মরক্তা ৱাখল তামিন্নবা অমদি মীওইবগী পুন্সিদা শিংনরকপা কয়াবু মায়োক্লনবা ৱাশকসু লৌখি।

থৌরম অদুদা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম, এডুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রো অমদি রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা নুমিৎ অসি মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিনা শিন্দুনা কংগ্রেস ভবন্দসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা রাজিব গান্ধীগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। থৌরম অদুদসু চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা মীয়াম্না টেরোরিজম থেংননবা ৱাশক লৌখি। থৌরমদুদা কংগ্রেস পার্টিগী মিনিষ্টরশিং, এমএলএশিং, পার্টিগী থৌপুবশিং , ফ্রন্টেল অমদি সেলসকী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

এমপিসিসিনা শিন্দুনা কংগ্রেস ভবন্দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রাজিব গান্ধী লৈখিদবগী ২১ শুবা নীংশিং কুমওন পালন, এন্টি টেরোরিজম দে গী পালন থৌরম অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা চিফ গেষ্ট, মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, মিনিষ্টর একে মীরাবাই, এমএলএ দিকে কুরুংথাং, এমএলএ মঙ্গাৱাইখেঁ, এমএলএ কেঐচ দেবেন্দ্রো, এক্স মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, এমএলএ নন্দকুমার য়াওনা পার্টিগী ওফিস বিয়াররশিং, ফ্রন্টেল অমসুং সেলগী লুচিংবা কয়ানা লুচিংবা অসিগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লগা লোয়ননা থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱাশক লৌখি।